# লৈ খরা হেকচগে ?

*লৈকাই* অমগী লুহোংবা, শোরাৎ, লাইনিং-লাইশোলগী থৌরম অমা থোকলকপদা, খুত্তা পোলাং মচা পায়রগা নুপীমচাশিংনা অনকপদা, যূমলক্তা লাইদা কৎনবা লৈ হেকপা চৎনরম্মী। মখোয়না লৈকাইদুগী লৈ হৌবা মফম, যূমশিং খঙনা পংলাপ্তি লাপ্তুনা চৎলি। নুপীমচাশিং মশীং য়ামদে মরী মঙাখক্তনি। মখোয়না লৈ হেকপা লাকপদা যূম্বুগী অয়াবা লৌই। মখোয়গী মচিনশিংদগী হায়রকই- **“লৈ খরা হেকচগে?”** যূম্বুনা হায়, **“হেকউ হেকউ। অপোম্বা লৈদি হেক্কনুকো।”** যূম্বুগী অয়াবা ফংলবদা নুপীমচাশিং অদুনা হরাওনা ইঙ্খোলদা চঙদুনা অশাৎপা সানরৈ, উরিরৈ, কবোক্লৈ, কুন্দো লৈশিং হেকখি। মখোয়না লৈ খরা হেক্লবা মতুংদা লৈ শাৎলি খঙবা যূম অমা অনী অমুক চৎতুনা চপ মান্ননা যূম্বুগী অয়াবা লৌরগা লৈ হেকলুই । মসিগী চৎনবীসি মতম খরগী মমাঙদা উবা ফংলম্মী। ঙসিদি পোল্লাং পায়দুনা লৈকাইগী যূমলক্তা চঙদুনা লৈ হেকপা লৈ থিবা চৎপী নুপীমচা ইম্ফালগী লৈকায় অয়াম্বদা উরকখিদ্রে। নুপীমচাশিংগী মচিলনা-**“লৈ খরা হেকচগে?”** হায়বা ৱাহৈ তারক্তবা কুইরে।

মহৌশানা, মৈতৈগী যূমথোং খূদিংদা লৈ খরা খরদি অদুম থানরকই। যূম মশা নান্দবা, চেক্কী পকা যূম ফজনা শাদবদি য়াই, লৈ পাম্বী মচা অমা ফাওবা হৌদবা মৈতৈগী ইঙ্খোল থেংনখিদ্রি। কনা অমগী যূমদা লৈহাও শাৎলি, শম্বল মনাক্তা উরিরৈ, কুন্দো শাৎলি, পুখ্রি মপান্দা, লাইশঙ মপান্দা সনারৈ, কবোক্লৈ শাৎলি, কনাগী পুখ্রিদা থরো শাৎলি লোয়নমক খঙনৈ। লৈগী মথৌ তারকপদা, অহল-লমনশিংনসু যূম অদুদা অদুগুম্বা লৈ অদু শাৎপনি হায়বসি খঙই অদুনা নুপীমচাশিংদা যূম তাক্তুনা লৈ হেকপা চৎহল্লি। লৈকাইগী নুপীমচাশিংনা পোল্লাং মচা পায়রগা লৈ হেকপা হরাউনা চৎনৈ। লৈ থিবা, হেকপা চৎলুবদা শৌ শৌ লাওবা, লৈ হেকহননিংদদুনা চৈরকপা ইমুংসু লৈকাই অমদা য়াওনখি। লৈ থিরিবী নুপীমচাশিংনা খোন ফজদবা ইমুং অদু মশক মুন্না খঙঙি। লৈ য়াম্না শাৎলবসু অমুক হন্না যূমদুদা লৈ হেকপা চঙনদে। কনাগুম্বা ইমুং খরদনা অমুক হরাউ হরাউনা লৈ হেকউ হায়না তাকপীবা, কৌশিনবীরকপা ইমুংসু লৈখি। থৌওইনা নুপীমচাশিংনা লৈ হেক্লনবা যূমগী শম্বল ময়াদা লৈ থাজবা মীওইসু লৈখি। মখল মখলনি। মণিপুরী খুন্নাইদা লুহোংবগী কুন্দো থিরকপদা লোৎশিন্নদে হেকউ হায়নবা ঙাক্তনি। মসিগীদমক লৈকাইদুগী নুপীমচাশিংনা হরাউনা লৈ থিবা চৎনরকই। থৌদোক অমা থোকলকপদা অরৈ-লৈতা তানৈ, হংনৈ, চঙনৈ। অঙম অঙম্বা মতেঙ পাংনৈ। মসিগী ফজবা চৎনবী অসি ঙসিদি মমি শামখিবগুম তৌরি। অশাৎপা লৈশিং হেক্তোক্তুনা য়োনবা চৎনরক্তে। অশাৎপা লৈবু লুকমাইদা থাদুনা য়োনবা হায়বসি ঐখোয় মৈতৈশিংনা তৌনরক্তে। তৌবতবু কনাগুম্বী ইমা ইবেল খরনদি পোৎলক্তা মহাক্কী পোৎচৈ য়োন্না য়োন্না যূমদা শাৎপা লৈহাউ, উ থম্বালনচিংবা খরা পুরক্তুনা পোৎলক্তা য়োনবগদি করিগুম্বদা উখিবা লৈ। মদুসু কনাগুম্বনা লাইদা কৎনবা লৈশিং হায়রকপদগী নৎত্রগা হংলকপদগী থিবীরুরগা পুখৎলক্তুনা থম্লবনি। খঙন-চান্নবনা হায়রকপদগী পুখৎপিরকপা তৌনৈ। থৌওইনা লৈমক য়োনবা হায়বদুদি নৎখিদে। ঐখোয় মৈতৈশিংদি যূমদা শাৎপা অফংবা হৈ লৈ থিদুনা হেক্লগা কৎনরকপা ঙাক্তনি।



মমাংঙৈদগী হৌনা হৈ-লৈ অসি লাই-তিন খুরুম্বা, লুহোংবা, নাহুৎ-নরেং, শোরাৎ ফিরোইদা কৎনবা অসি মরুওইনা চৎনরকই। তৌদবা য়াদবনি। লাই-তিনগী ৱা ঙক্তা নত্তবদা, মৈতৈশিংনা হৈ-লৈবু য়াম্না পাম্নরকই। ইমা-ইবেন, কৈথেন কাবীশিংনা নাচোম শেমদুনা থেৎলগা কৈথেল কানৈ। খুলগী হরাউবা মতমদা নাদা নৎত্রগা শমজিদা থেৎনবগীদমক ইঙ্খোলদা হৌবা অফংবা লৈশিংনা শমজিরৈ নাচোম শেম্নে। মনম চেন্দবা লৈদি চিন্নদে, থেৎনদে। মনম নুংশিবা চেনবা লৈবু **‘লৈরাং’** হায়নৈ। **‘লিকোল শান্নবা’** হায়বা পাখং-লৈশাবীশিংগী কুম অমগী মনুংদা তাঙনা শান্নজবা ফংজবা মশান্না অসিদা, হৈ-লৈগী মফম অসি য়াম্না মরুওইনা শীজিন্নে। ৱাহৈ-ৱাতা খক্তা নৎতনা **নাচোম চিনবা, নাচোম থেৎপীবা, নাচোম পীনবা** কয়া অসি পাখং-লৈশাবীশিংনা চৎনরকই।

লৈকাই অমদা নাচোম শেম্বা হৈবী অখন্নবা ইমা-ইবেল য়াওনৈ। মখোয়বু অখন্ননা নাচোম শেমহন্নে। পাখং-লৈশাশিংনা মখোয়গী হিপ্পরিবা ফামুংগী মোন মখাদা তখেল্লে, কবোক্লৈ, লৈহাও লৈরেন হেক্তুনা মনম নুংশিনবা থম্নে। পাখঙ ওইবশিংনসু লৈকাই লান্না কোয়থোকপদা ফুরিৎ খাওদা লৈহাও লৈরেন মনম নুংশিনবা হাপ্পগা চৎনৈ। হৈ লৈবু পাখঙ লৈশাশিংগী মরুওইবা পাউ ফাওদোক্লবগী পাম্বৈ অমা ওইনসু শীজিন্নরকই। **হৈরোল-লৈরোল** হায়দুনা হৈগী-লৈগী শৈথাবা, ফজবা কয়া ঐখোয়না থেংনরিবসি অৱাংবা থাক্লি।

হৌজিক্তি চাউখৎলকপনা অহোংবা কয়া মফমসিদসু থুংলরে। লাই খুরুম্বগী, লুহোং কৈহোংবগী থৌরমদা শীজিন্ননবগীদমক কৈথেলগী মচি মচিদা ইমা-ইবেলশিংনা লৈ য়োনফম ফম্নরে। কৈথেলদা লৈ য়োনফম অসি হান্না লৈরম্বা নত্তে। তপ্পা তপ্পা মশীংসু অসুম হেনগৎলকই। লৈগী মখলদি শুরে হায়বা য়ারে। কৈথেল কারুবদা, মচি অমদা লৈ য়োনফম লৈরবনিনা লৈনিংবা মতমদা অপাম্বা মখল খল্লগা লৈবা ফংলে মসিগীদমক্তি ইমা ইবেলশিং অসিবু থাগৎপীফম থোকই। অফবনি হায়জনিংঙি । তঙাই ফদ্রবদি লৈ য়োনফম ইমা ইবেলশিং অসিগী অশেঙবা মফম অমা ফাওবা শেম্বীবা মতাংসু লাক্লগনি। অদুবু নাৎকী চৎনরম্বা **লৈ লাংবা, লৈ থিবা, লৈ হেকলুবা** হায়বা অদুমদি হৌরক্লিবা মীরোলনদি খঙলরোই। লৈরম্মী, চৎনরম্মী হায়বগী ৱারীসু মাঙখ্রগনি। কৈরোই লৈকাইদা, ইমুং অমগা ইমুং অমগা লৈ শাৎপা হংনরম্বা, চঙনরম্বা তৌনরকখিদ্রে। **অবোক, ইমা, ইচে** মিঙ্গৈদুনা লৈ খরা হেকচগে হায়বসিদা লোয়নরিবা থৌগললোন, থক্সি-খাসি নুংশিনবগী মতৌ অসিসু নুপীমচাশিং, অঙাংশিংগী মফমদা ৱাৎনরক্লি। চঙলুরনু, হেকলুরনু, তৌরুরনু, কৈথেলদগী লৈরুরো হায়না অরাংফমনা নৎত্রগা কনাগুম্বা অমনা তাকলক্লগা তৌখিবা অদুনা হৌজিক্কী মতমসিদা মীসু চেন্নদ্রে, মতমসু মাঙনদ্রে, শম্মে হায়বগী মওংদা লোইনমক চৎথনরকপগুম তৌই। মসিগী অফবা অমদি ফত্তবা অনীমক লৈ। হংনবা, চঙনবা অসিনা অমগী মতেঙ অমনা পাংনবা, নুংশিনবা হেনগনি। উনদ্রবা, চঙনদ্রবদি নুংশিনবা ৱাৎলকই। যূমথংনবা মশেল কৌনদবা মশীং হেনগৎলকই। ইঙ্খোল হেঞ্জিন্নবগী নুংশিনদবরোমদা ওইনা মায় ওনশিন্নরকই। নাৎকী মশক্তসু অকায়বা লাকই।

কুইদ্রিবা মতমগী ৱানি, ইমুং অমদা থৌদোক অমা থোকপদা, লৈকাই ময়াম চঙদুনা অৱাৎ-অপা হংনরম্মী। পোৎ অমত্তং ৱাৎলকপদা ঐখোয়দা লৈবনি, ননেদা হংউ, নবোক্তা হায়য়ু তাক্লে। শুমাংদা মান্দপ শঙ খনবদা ঐখোয়দা পয়া অশিবা লৈবনি, ৱা হুমদাং অমা য়াল্লকউ। ঐখোয়দা তোক, থাংজৌ লৈবনি উখুল তৌনবা লৌরুচো অহল ওইবশিংনা হায়নৈ। ময়াম হৌ হৌ চঙদুনা মান্দপ শঙ খন্নে। হান্না চঙনরমদবা মী ফাওবা নুমিৎ অদুদা চঙহৌদ্রবদি মতুং চঙনররোই হায়দুনা চঙনৈ, হংনৈ। ময়াম্নসু চঙহৌ হায়না তাক্লে। হংনবদগী নুংশিনখিবা, চঙনখিবা ইমুং লৈরিবনি। ঙসিদি মদুগী মথৌ লৈত্রে। হংবা চঙনদ্রে, মতেঙ পাংনদ্রে। মান্দপ খন্নবগীদমক পুল্লপ ফার্ম অমদা নেক্নরে। নখোয় য়াওদ্রবসু, চঙলকত্রবসু নেকথোক্লগা লোয়রে হায়না লৈনরে। মতম অমা থৌদোক থোকলকপদা মথক কুপ্নবা থম্নরম্বা লৈকাইগী জিঙ্খু, তরপুলিন থম্নখিদ্রে। মরুপকী কোল-লীক থম্নরম্বা তৌনখিদ্রে। ৱায়ফম লৈরে। মঙানি চাক চাবা, ঙা তংবা, উসবকীদমক লৈকাইগী নুপীমচাশিংনা পুল্লপ পুল্লপ উতি থোংবগী পাঙ্খোল্লা হেকপা চৎপা, লফু ইরোন্নবগী শোয়বা চৎপা, আলু খেৎপা, য়েন্সাং শেম্বা চৎনরম্বদুসু অয়াম্বনা তৌনখিদ্রে। ঐজ্ঞাগী চাকশংদা নেকথোক্লখিবনা অয়াম্বনি। লৈকাইগী নুপীমচাশিংগী মফম লৈত্রে। ঙসিগী নুপীমচা অয়াম্বা শগোলহৱায় চাম্বা হৈত্রে। নুপামচাশিং খুৎনা পায়া লৈবা হৈত্রে। মঙানি চাকচাবগী ঙা শেম্নবা নুপা ময়াম অয়ুক্তগী মশা মশাগী ঙাশেমথাং পায়রগা ঙা শেম্বা চৎনখিদ্রে। ঙায়োনফমদগী অপাম্বা কেজি মশীং মিনিট তারাগী মনুংদা নুপা অমনা শেমহল্লুরগা য়ারে। অসিগুম্বা মতৌ অসিনা নাকল খরদদি কান্নরবসু নুংশিনবগী অৱাৎ-অপা মেন্নবগী অমগা অমগা মতেং পাংনবা ঙাক্তা নত্তনা হৈহৌনবগী, নহারোলশিংনা থৌগল্লোন-চৎনবী খঙহৌনবগী মফম অমা ওইরম্বা কয়া অমদি তপ্পা তপ্পা কম্পনিশিংনা, অতোপ্পা এজেন্টশিংনা মহুৎ শিনজিনখিদুনা ইন্টিগ্রিটিদা নাৎকী মশক্তা কায়থরকই হায়বসি কনাসু পন্নদে, নীংশিংনদে। ঙসি পোৎ শানজরিবা, কেটরিং সর্বিস তৌজরিবা, মান্দপ খনবা চৎচরিবা মখোয়নসু মী খরগী থবক পীরি, হিংমিন্নরি মসিগী অফবসু লৈ। নাকল অমরোমদা য়েংলগদি মখোয়নসু মীওইবগী মতেঙ পাংলি হায়গনি। ৱাফমসিদা অরানবদি লৈতে অদুবু হোংলক্লিবা অওনবা অসিনা অসুম নক্ষৎলকপা য়াবগী মওংদি চাওনা লৈ। মৈতৈগী শুমাংদা ‘লা তাবা’ হায়নরম্মী। ঙসি লা তানদ্রে। প্লাসিতিক্কী পেপর প্লেট ঙাক্তগা বটল অহাংবা ঙাক্তগা তানরে। শুম্মাংদা মথৌ মঙম, লুহোংবা, নাহুৎ-নারেং, শোরৎ শোন্নদ্রে কম্যুনিতি হোলদা নৎত্রগা হোটেলদা পাঙথোক্লবনা মশীং হেনগৎলকই। লম লৈজদবা কনাগুম্বগীদি য়াম্না ফরম্বসু য়াই। হোংলক্লিবা মতমগী খোঙচৎ অসিদা অওনবা লাকপনি হায়বা তায় থিংলুবমকসু য়াদ্রি। থিংলুবসু ঙমলোই। লাইরিক লাইশু হৈনরকপা, মপাল লম চৎনরকপা কয়াদগী উরকপা, খঙলকপা কয়ানা হান্না লৈরমদবা কয়া লৈহল্লকপনি। তৌরমদবা কয়া তৌরকপনি। অফবা তৌরকপদি পূম্নমক্কী য়াইফবনি। অরিবা ৱাখল্লোন্দা অসুম লৈবনসু চাওখৎপা মাইকৈদা লাকপা ঙমলোই। লোইনমক চুম্মী। নুংশিখ্রবা, লৈমন্নরম্বা ইমা ইপা, ইচিল-ইনাও ফাওবা মতম্না কায়নরক্লিবনি।

হৈ-লৈবু নুংশিবা পামজবা, হোবী ওইনা কলেক্সন তৌবা মীশিংসু য়াম্না লৈরক্লি। ঐখোয়না মপাল লমদা চৎপদা লৈয়োনফম (ফ্লৱার হাউস) য়াম্না থেংনৈ। লৈ য়োন্নবগীদমক অচৌবা লৌবুকশিংদা লৈ থাবা ফার্মশিং উরকই। মণিপুরদসু লৈগী ফার্ম তৌবা গ্রীন হাউস শেম্বা লৈরে। মরুওইনা হৈ-লৈগী চারাশিং শেম্বা য়োনবগী মফম্না অয়াম্বনি। মফম খরদনা চীংদগী পুথোকলকপা অঙৈংবা মফমদা হৌগনবা, চান্নবা লৈশিং মাওদগী, উখুলদগী অমদি মণিপুরগী চীংগী লমদমশিংদগী অফংবা কয়া পুথোক্লরক্তুনা য়োল্লি। কোয়না থেলাদা ইন্দুনা লৈ য়োনবা চৎপা মী ফাওবা লৈরক্লি। কনাগুম্বা খরনা মীঙোন্দা পীনবা লৈ চবুন হায়না-শীংনরগা লৈফম (ফ্লৱার পেক্ট, বুকে) শেমফম লৈনরে। সেম্থোক লম্বী ওইনা লৈ য়োনবা মশীং ফনা য়াম্না কৈথেলদা উরক্লি। ইমা ইবেলশিং অসিনা য়োনজরিবা অসিদি মীঙোন্দা পীনবা ফ্লৱার বুকে শেমদুনা য়োনবা অদুদি নৎতে। লাইতিনগী কৎনবা মওংদা য়োনজবনি। পূম্নমক হিংনবা হোৎনবদা মানা মানা ঙমজবা শিন্থা পাঙথোকচবনি অদুবু তপ্পা তপ্পা মমি শামখ্রিবা, ঐখোয়গী ইরক্তগী উনা উনা মাঙখ্রিবা নাৎকী মশক অদুগীদমক্তি নুংশিবা পোকচৈ। মতমগী অহোংবা লাকপা, চাউখৎলকপা, মীগী অপাম্বা, মথৌ তাবা খঙনরকপনা ওইবা তায় ঙসিদি ঐখোয়গী লমদম অসি মীওইশিংগী ৱাখল্লোন্দসু অহোঙবা লাক্লি। অদুবু অনৌবা অওনবা লাকপদা লুপশিনখ্রগদবা অরিবা চৎনরম্বা মতৌ অদুবু কনবা ঙমহৌরোইদবা অদুগীদমক্তদি থৱায় ৱাজৈ।

– *মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## তা বোবিগী করোংচাক

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

**তা বোবিচান্দ** মবুক য়াম ফৈ। ময়াম্না মাগী মিংসি শমজিল্লগা তা বোবি তা বোবি হায়না কৌনৈ। পূম্নমক্কী তাদনি। কনামত্তনা মঙোন দা পাবুং, ইতোন, ইয়াম্বা কৌনদে, অঙাংসু অহলসু তা বোবি হায়খ্রগা লোইরে। ইং তপ্পী, ৱারী শান্নবা নুংঙাই। চহী হায়বা খাক্তনা লোয়নমক্লা তিন্নবা য়াই। খোগোপ্পগী মরুপনি। চহীবুদি খরা লৈশিল্লে, মকোক ফজনা তাঙই। মাগী কোক খূৎতাংসি য়াম নাল্লি। ফিল্মদা মপা শাবনকা তাঙবদা শাথিনা পোজ তারদবা খূৎতাঙনি। লুমাংগী শরুক্তগী হাইগৎখ্রগা নারুমগী অদুৱাইদগী লুখুমগী শরুক খরদা অমুবা শম নিংথিনা হৌরি। খঙদে মাগী কোক খূৎতাঙদু ফজৈ হায় তারে। পাক হেক শেম্বদা থোক্কদবা নত্তে। মদু তানবা শেম্বদা অরুবা অমা ওইগনি।

মাগী হায়বু পোৎ খরা তাখ্রদি ৱা ঙাঙনবা নুংঙাইতে। মাগী খুনম্না লৈবাক্তা সৎ লাওনা নানখ্রদি তা বোবি নিশা পাল্লে হায়বা খঙই। পোৎ খিৎতং হেক তাখিবদা মরৈসু তৎশিল্লক্কনি। ৱা মা হৌদোক্লুবদা মানা হেক ঙমদ্রিমখৈ মরৈসি অদুম য়েৎকনি। শুমাইনা তৌনি হায়বসি কনানসু থাজদে। করিগীনো খঙদে, মমাঙঙৈদদি অসুম্না তৌরমদে, হৌখিবা চহী খরসিদগীনি মানা অসুম্না তৌরক্লিসি। ঙাঙনবা কয়া নুংঙাইতে। নোংমসু ময়াম পিক্লিক চৎপদা, চীংদা কাখৎলগা মখাদা য়েংথবগী ফজবা কয়া লিটরেচর য়াওনা শৈথারম্লগা, ফিল্মগী টাইপতা নিঙমদনা ফম্মগা মখারোমদা অমুক্তং শেৎথখিববু কয়াদি পোজ তাখ্রে। তৌবতবু, মাগী খোঙগ্রাওদু মনিংলোমদদি ফজনা তৎলে। থোইনা নাবা উত্তে, কৈসু তৌরোই, নাবিদে হায়না মাগী ৱারী মখা অদুম চথবীনি। নুমিৎতু তা বোবি নিংথিজনা শেম শারিবা চাক এঞ্জাং অমত্তা চাদনা চাক মহীনা মবুক থনখি। ময়ূম ফাওবা চৎমিন্নবা অমনা থিল্লমখি। ময়ূম য়ৌরগনা লেপ্তুনা ৱা ঙাঙবীসিনি তা বোবিগী শাথিবসি। মীনা তানিংঙি তানিংঙোই খঙলোই, মানা হেক বোম লাউনা তুদুনা তূমদ্রিফাও লেপ্তুনা অদুম ঙাঙবিনি। কনামত্তনা মাগী মনাক্তা লৈত্রসু মাদি অদুম লেপ্তুনা ঙাঙঙি। নোংমদি নুমিদাং পুং ১১ গী অদুৱাইদগী হল্লক্লগা ফমুংদা ফম্মগা ঙাঙবসি ঙাঙবসি নোং ঙাল্লকপগী মীনা ৱাক্কীং চৎনবা মতম অদুৱাইফাওবা লেপ্তুনা ঙাঙবীনি। মোই ইতৈমনা খোইদৌ থিৎপী হায়দুসু মসিনি। তা বোবিনা হীদাক ঙাওদুনা লাল্লবদি থোঙ হাংদোকপীরগা অঙাংশিংগা লোয়ননা অদুম তূমথখিনি। তা বোবি মথন্তা ঙাঙদুনা লৈহৌনি। শুমাইনা তৌবসি নুংতিগীদি নত্তে। ৱিকেন্দ হায়গদ্রা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌরে। মথং নোংমাইজিং তাবনিনা মনীং তম্না ঙাওথবীনি। সেকেন্দ সেটরদে নৎত্রগা অতৈ ছুটি নুমিৎ নীনিগা শাংদোক্লদি লোইরে অমুক্তোইবা করোংচাক য়ুংদেদা খাকই হায়দুনি। মাগী ফবা হায়বু অতৈ নুমিত্তদি থক্তে।

হন্দক্তি সেকেন্দ সেটরদেগা সন্দেগদুদি তা বোবি থাংজগী নুমিদাংদগী ৱারী শানবা য়াদ্রে। লেপ্তুনা হেক্তা সেরিএলদা চথবীনি। নিষা হল্ল থক, হল্ল থক তৌদুনা মেন মান অমতা তাদ্রে। লাইবক্লা থিরিসু, থাংজগী নুমিদাংদুদগী হৌনা মচা চহী অনীমুক্তা ঙাইরিবদু মশা কন্না হেক্তা শাগৎতুনা য়াঙ চিংদেদা খাকই। অথেংবা অহিংদুদা ইতৈমনা অঙাংদুবু শেন্নগদ্রা, তা বোবিনা নিষা খাইদুনা ঙাঙবা ময়ামদুবু তাগদ্রা কোকপী হেক ঙাওই হায়দুনি। অহিংদুদা ইতৈমনা ফি অমোনবা অমা তৌরগা অঙাংদু শেন্নবদা মিৎ কল্লা অমফাওবা উইশিনখিদে। তা বোবীসু লেপ্তুনা ঙাঙবদা শুকতূম হেক তূমদে। নোংঙাল্লে, তা বোবি অমুক থোকখ্রে। পুং ১০ গী অদুৱাইদা হঞ্জিল্লক্লগা ইমুংদা নিষা কন্না খাইরি। ইতৈমদু চাক থোংবগা চঙদে। অঙাংদুনা হেঙো-হেঙো তৌবদুদা অদুম শেন্নদুনা লৈরে। ডোক্তরদা অমুক্তা পুসি হায়না হায়দৌসু তা বোবিগী তৌরিবা মতৌদুদা হায়বা ফরক তাদুনা হায়দ্রে। অঙাংদুদি কন্না শাগৎলক্লি। হনবা কৌবা লৈতে। তা বোবি অঙাং মশা শারিবদু য়েংইরা তরংদা য়েংইরা খঙদে, খাই খাইদুনা ঙাঙঙি। ইতৈমনা খাঙবা য়াবা খাঙলগা ঈশৌ হৌরকই। মশা শাগৎতুনা লৈরিবা মরোলসু থোক্তবা অঙাংদুদা হায়রকই।

“অমনা হনব্রা হন্দে, অমনা হনব্রা হন্দে, বোবোমচা নোই থোকপা তৌহৌরো, ইমা উপাই লৈত্রে। শেলসু সিকি অমতা লৈতে, শাগৎলগা চিংগে চিংহৌরো, ঐ চৎলগে, লৈহৌরো, ঐ খাঙবা ঙমদ্রে’ ৱাদুগী অরোইবদু ইতৈমদু মখোল হায়রপ নীকই। কপঙাঙ তৌরকই। মাগীদু মথম্মোয় তেংনা শোক্তুনা হায়জরকপনি, মচাদু নুংশিদবগী নত্তে। ৱাদু তাবদা তা বোবিনা য়াম্না ৱাখল তাবা শাদুনা কৈসু থওইদনা তরং অমদা হায়রকই।

“অহ! গুদ, ভেরি গুদ, মদু য়াম ফৈ, এই! ইবেথোই নঙনা চৎকদবা ওইরদি..., সে মমাঙগী থোইবা দুকান্দগী য়েরুম অনীদা লৌরকউ, ঐনা পীরকউ হায়বনি হায়য়ু, ঐ কোন্না শেল পীগে, ঐনা হায়রকপনি হায়য়ু, মদু তিলহৌ কুপ্পা শোইরগা ফজনা অমুক্তা তল ওইনা হৌরকউ। ঐ মদু খিত্তা চাগে”।

ইতৈমদু ঈ ফজনা কারে, “কৈনো অঙাংসি ঙরাংদগী মশা কন্না শাগৎলিসি খঙদ্রো?”

“করি ইচা বোমচাবু মশা শাগৎলি হায়বা, নঙদি ঙরাংনা হায়বা য়াদ্রা? লাউ হৌজিকমক ডোক্তরদা পুসি, ইচা নাবা য়াদে, ফুক হৌগৎকে তৌবদা তা বোবিদু খোঙফম চাহৌদ্রবরা কৈনো খঙদে, ফমাঙদা করোংচাক য়ুংদুনা তুরে। অদুম হৌগৎত্রে, অহানবদা ‘অয়ো অয়ো’ হায়রম্মী। ইতৈমসু শক নুংশিদদনা হন্না ফাওবা য়েংলুদে। তা বোবিদি অদুম নাখোকখ্রে ফম্মাংদুদা, ফমুংদা লৈরিমখৈদি তূম্মদে, তুখিবদগীদি নিংথিনা নাখোকখ্রে। ইতৈমনা বোবোমচাদু ফৈনা পম্মগা তৌহৈবরা তৌহৈদবরা, তা বোবিদু হন্না য়েংলমদনা চাউকান কাল্লগা-

“শিগেরা চঙগেরা নঙ থোকপা তৌহৌরো’ ইতৈমদু হন্না য়েংলমদনা অদুম থোকখ্রে।

তা বোবিদি নাখোকহৌরি। ইতৈমদু যূমদা থেংলবা নুমিৎ তারফাও হল্লকখিদ্রে। তা বোবি মথা কন্না শাহৌরি। কমাইনা মাগী নুপীবু কৌরুগদগে খনবদা, মবাই মমিৎ শুকপা শাথিবদু নীংশিংলুবদা তা বোবি হৌজিক্তদা হুমাং কাংখৎলক্লি।

## বরাপানিদি কোন্না চৎলসিকো

*ন্যু*জলপাইগুরি (এন জে পি) দগী গুৱাহাটি ফাওবা লাকমিন্নরি মরুপ অনী, আর্মি কেপ্তেন ঙাক্তনি। সী ওদুনা মখোয়না মতম কুইনা ময়ূমদা চত্তবদুদা নুংশিরদুনা নমদুনা নুমিৎ কুনগী ছুটি পীরকপনি। ছুটি পীরকপদসু নৎত্রি, লক্লরকই “কেপ্তেনশিংগী মরক্তা নখোয় অনীদনি লুহোংদ্রিবা ’দুনা যূমদা চৎলো অদুগা লুহোংলগা নুপী-নুপী পুদুনা লাক্কদবনি। মসি ওর্দরনি হায়না লৌগদবনি”। সী ওদু নোক্তুনা লৈহৌই।

মখা তারকই, ‘যূম য়ৌদ্রিবফাওবা নখোয়গী সেক্যুরিটিগীদমক্তা ঐনা কুপ্পা শেন্নগনি। হেপ্পি জর্নি ওফিসরস’। মখোয় অনী পূন্না সেলুট তৌরম্মী।

মখোয় অনীমক বোলেরো অঙৌবা অমদা যূমগীদমক্তা খোঙশাল্লক্লে। রমেস, বিমোল অনীদি ছুটি পীগদৌরে খঙবদগী যূম চৎত্রিঙৈদা শিল্লোংগী বরাপানিদা লৈহৌবা মখোয়গী ওজাগী মনাক্তা চৎলগা লাইরিক তম্মীন্নরকপা মরুপ মপাংশিং উনদুনা নুমিৎ মরি-মঙানি কোয়রুনবা লেপ্পখ্রবনি।

গুৱাহাটি হেক য়ৌবগা যূমদা লৈহৌবা মমা-মমাগীদমক্তা সুৱালকুসিগী ফজরবা মুগাগী ছারি অমা অনীদং লৈখিসি হায়নরে। ফেন্সি বজারগী অচৌবা দুকান অমদা চঙমিন্নরে।

নুমিদাংৱাইরমনি। দুকান্দু মীনা কৃক কৃক ইন্নে। ফি মথং মথং য়েংলকপদা মী য়াম্না চিন্দবা কাচিন অমদা মপা অমগা মচানুপী অমগা পোৎ লৈগদবগী অপাম্বা খনবা হোৎনরি। মচানুপী পীক্লিবীদুনা মপাদা মমাগী ফি ফজবা অমগা লৈ-মপুন ফজবা অমগা লৈননবা তকশিল্লি। মচানুপীদুনা পামজনা খনবা ফিগা, লৈ মপুন্দুগা লৈরবা তুংদা মপাদা চৎলসি হায়রি। মপাদুনদি অতোপ্পা ফি অমগা লৈ-মপুন অমগা লৈননবা খনবা হোৎনরি।

মচানুপীদুনা হংই – কনাগী লৈগদৌরিবনো?

মপানা – গ্রানিগীনিনা।

মচানুপীনা– হয়েংদি ‘মার্দস দে’নি, ‘গ্রান্দমা দে’ নত্তেনা।

মপানা নোক্লদুনা– নঙগী গ্রান্দমাদু ঐগীদি ইমানি, মাদরনিদনা। মার্দরস দে নুমিৎতা ঐগী ইমা, নঙগী গ্রান্দমাগী পীননবা খুদোলপোৎ লৈবা য়ারোইদ্রানে?

মচানুপীনা – মদুদি য়াইনা।

মপা মচাদু ফি অমদি লৈ চবুন লৈরগা হরাউনা চৎখিবদু রামেস অমসুং বিমোল অনীনা মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই।

মখোয় অনীসু সুৱালকুসিগী ফজরবা মুগাগী ছারি অমমমগা, লৈ চবুন অমমমগা লৈরে। ফজনা পেকিং তৌহল্লে। কোরিয়রদরা নৎত্রগা ইম্ফাল থোক্কদবা বসতরা শিন্নখিবা য়াগদ্রা খন্নরি। ফজরবা কার্দ অমমমদা নুংশিরবা ৱারোল ইরদুনা ময়োম ময়োমশিংদুদা থেৎচিন্নরি।

করি খল্লুরবনো খঙদে বিমোলনা মমাদা ফোন তৌই-

‘...ছুটি ফংলদুনা নুমিৎ কুননিগী ওইনা যূমদা থোরক্লিবনি অদুবু ঐখোয় শিল্লোংগী বরাপানিদা নুমিৎ মরি-মঙানিদং চৎলুসিরা খল্লি।’

বিমোলগী মমা – ইচা উনিংদুনা লৈরকপা কুইরবনি। নপাবুংগা ঐগনা নঙগীদমক্তা করি করিনো খরসু খন্নরি। ঐখোয়সু অসুম অহল ওইশিল্লক্লিবনিনা, নহাক্কী তুংগীদমক্তসু খন্দবা য়ারক্ত্রে। য়ারগদি থুনা থোরকহন্নীংইদা।

বিমোলনা – হোয় থুনা লাক্লবা হোৎনরগে।

ৱা মখা হায়বা লোইফাৎত্রিঙৈদা মমানা ফোন থমখ্রে। বিমোলগী মায়থোংদা অহোংবা মচেৎ অমখক উৎলকখিবদু রামেসনা উখি। মহাকসু মমা-পাবুংবু উরক্তবা কুইরবনি। মওল-মওল খল্লকই – লাইরিক তম্লিঙৈদসু মীরমদা ঙাক্তা লৈরকপা, থবক তৌরবদসু মীরমদা ঙাক্তা...। করিগুম্বা খরা হায়গে তৌরকপা মতমদুমক্তদা বিমোলদি খাউদা নপখিবা কার্দ অদু তপ্পা চেকশিন্না লৌথোকপা হোৎনরি অদুগা রমেশতা ৱা ঙাঙদনা য়েংদুনা লৈরি। কুইনা তিন্নরক্লবনিনা রামেসসু বিমোলগী মিৎয়েংগী ৱাহন্থোক খঙমাল্লে। মহাকসু মাগী কার্দতু তপ্পা লৌথোরকই। মখোয় অনীমক মা-মাগী কার্দতু দষ্ট-বিন মনুংদা থাদনখ্রে।

পোৎ চৈ লৈবা লোইরবদদি মখোয়গী গাড়ীদু হোটেল নক্ষত্রদা থৌজিল্লে। গাড়ী নম্বরদু উবদা হোটেলগী সেক্যুরিটিনা সেলুট তৌরদুনা ওক্লে। হোটেলগী ড্রাইভর অমনা বিমোলাদগী শো লৌরগা পার্কিংদা থম্লুনবা থৌজিনখ্রে। লৌথহৌবা বেগ মচা মরি-মঙাদু পোর্টরনা পুরদুনা হোটেল মেনেজরগী কাউন্টর মনাক্তা থম্লগা ঙাইদুনা লৈরি।

কাউন্টরদা মেনেজর ওইনা ফন্লিবী রোজি উবদা রমেসতু ইঙক-ঙকই, লাইবক্তা অঙাংবা শিন্দুরনা শমজিন য়ৌনা নল্লিবদু উবদা অমুক্কা হেন্নদুম ঙকপা পোকখ্রে। ৱা-কা ঙাঙখিদ্রে।

খল্লি, মহাক্তি খাসি নিঙোলনি... আসামীজদা যূম পাল্লবোইদো। বিমোলদি করিসু ঙকপগী মওং উদে। মহাক্তি হোটেল বুক তৌবা মতমদা রোজিগা হান্না পাউ ফাওনখ্রবনি। মখোয় অহুম্মক শিল্লোংদা লাইরিক তম্মীন্নরকপনি। লুনা তিন্নরকপা মরুপশিংনি। হোয় রামেসকা রোজিগদি হেন্না নকশিন্ননা লোয়নরকখিবনি।

‘গুদ মোর্নিং ট্রুন্স, (মখোয়’নি ফাইবোকুম্না থাদোক্লন্দবদুগী হায়বনি) ৱেলকম টু হোটেল নক্ষত্র হায়রদুনা মখূৎ তিংথোরকই। মখোয় অনীমক রোজিগা মখূৎ চেজেৎ চেজেৎ পায়শিন্নরদুনা খূৎ শোক্লে । মখোয়গী নক্লা তিন্নরকপগী মওংদু ফোঙদোক্লে। মখা তারকই –

‘দিজ ইজ লাইফ’

ৱাহৈ অহুমসিনা মাগীদি পূম্নমক ফোঙদোকখ্রে।

রামেসতনা ৱারৌনদনবা অদুগা বিমোলদনা কুইরবগী তুংদা উনবগী নুংঙাইবদু ফোঙদোকচবনি।

রোজিনা মখা তারকই – ‘ব্রেকফাষ্ট, লঞ্চ, ইভিনিং টি, ইভ্রিথিং ওন দ হাওস’।

রামেসনা ৱা ঙাঙগে তৌরকপদা রোজিনা মখূৎ খুদোম্বীদু মচিনাবন্দা থল্লগা–

‘ওফিসরস, দোন্ট দিসহার্টন য়োর সীসী (সিষ্টর), ৱা মখা তানদবী হায়বদুনিকো’ খোইরপ তৌবা মীতৈলোনসু য়াওনা হায়রকই। মখোয় অহুম্মক অমগা অমগা য়েংনৈ, মিত্তনা পিগী ঈরাং হৌনৈ।

মথংগী অয়ূক্কী পুং মরি তাবা মতমদা হোটেল থাদোরকই। চৎলমদাইদা হোটেলগী ইন-চার্জদুনা অথুম অহাও য়োম্বা খাউ অচৌবা অমা পীরকই – ‘ফ্রোম রোজি মেদাম’।

হোটেল থাদোক্লল্লে, শিল্লোংগী লম্বীসু হুন্দোক্লল্লে। চুমদ্রিং দিমাপুরগী লম্বীদা ইম্ফাল য়ৌনবা বোলেরোদু য়াঙনা থৌরকই। শিন্না শিন্না থৌরকপদুনা কোহিমা লাম্থোরক্লে, মাওসু তুংওইনরল্লে, নুংথিল পুং ৪ গী মমাঙদা থৌবাল য়ৌনবা থৌবা খূৎথৌদুনি।

মন্ত্রি পুখ্রিদগীদি মখোয়গী গাড়ীদু সিফাইগী গাড়ী মরীনা মাং-তুং শেন্নদুনা চৎপা হৌরকই। পুং ৩.৩০ দা ইম্ফাল য়ৌরে।

ইম্ফাল সহর খুন্তাক লানশিবগুম ইতাক তাল্লম্মী। মোইরাংখোমদা বিমোল কুমহৌরে।

লাউরকই – সর্প্রাইজ তৌরুগে ইমাদা। হয়েং লাক্লমদাইদা পাউ ফাউনসি। ‘বরাপানিদি কোন্না চৎলসিকো’।

রামেস থৌবাল য়ৌনবা থৌখ্রে। সী ওগী য়াথংদগী গাড়ী মরীদুনা মাবু শেন্না শেন্না চৎখি।

– *বাবুমচা*